# মশা অমদি মরূম চানবা য়েনশিংদা এন্টিবাইওটিক পীজবগী মহয়

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

**চানবা** চীঙ্গাক্তা পোৎয়ান তৌবা অমদি তীলহাৎ হীদাক ময়াম অমা শীজিন্নবসি অনৌবদি নত্তে। য়েন্দা এন্টিবাইওটিক পীজবনা কান্নবা কয়া অমা, কান্নদবা কয়া অমা লৈ। পাক্তননা মফম মরাং খঙদনা য়েন লোইবিরিবা কাঙবুনা এন্টিবাইওটিকশিংসি শীজিন্নরি। মসিনা য়েনশিংদা রেজিষ্ট তৌবা ঙমদবদগী য়াম্না লায়না লায়না (দিজজ) কয়া অমা থোকহনবা ঙমহল্লি।

য়েনশিং মরু ওইনা ব্রোইলরশিংদদি য়েনবুশিংনা হেক লোইবা হৌবদগী এন্টিবাইওটিকশিং পীজবা হৌরে। মসিনা মচিঙ্গাক কা হেন্না পীজদনা থুনা চাওহনবা অমদি নোয়বা ঙমহল্লি। অমদি মার্কেটতা য়াম্না থুনা থাদোকপা ঙমহল্লি। লমদমসিদদি এন্টিবাইওটিকশিং শীজিন্নবগী অথিংবা লৈতবনিনা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নদুনা য়েনশিংনা চাখ্রিবা/কাপখ্রিবা এন্টিবাইওটিকশিং অদু মীওইবদা হায়রিবা য়েনশিং অমদি য়েরূমশিং চাবদগী এন্টিবাইওটিকশিং অমুক ট্রান্সফর তৌরকই।

অমরোমদনা এন্টিবাইওটিক য়োনবা মতমদা চৎন-কাঙলোন লৈতবনিনা য়োন্নীংবা মওংদা অদুমক য়োলহল্লি। মসিনা য়েনবুশিংনা লৈবা মতমদসু অথিংবা লৈতবনিনা পীজবা ঙম্বমখৈ পীজনরি।

এন্টিবাইওটিকশিংসি য়েন্দা নারকপা মতম নৎত্রগা মশা নোয়নবা পীজনরি। মসি য়েন্না নাদ্রবা ফাওবা অদুম পীজৈ। হায়বদি নাবগী লায়ওং উৎত্রবা ফাওবা অদুম পীজরি। য়েন্দা এন্টিবাইওটিক মতম শাংনা পীজবীরগদি হীদাক অসিনা হাৎপা ঙম্বা মহীকশিং (বেক্টিরিয়াশিং) হায়রিবা এন্টিবাইওটিকসিনা হাৎপা ঙম্লরোই। য়েনগী মশাদা অসুম য়াওদুনা লৈরগনি অমদি মসিনা মীওইবগা য়েনসিগা য়েংনবদা নৎত্রগা ফুদ এনভাইরোনমেন্টকী মতেংনা মীওইবদা চঙলকই। অসুম্না শাথিরবা লায়না কয়া থোকহনল্লিবা বেক্টিরিয়াশিংসি মতম শাংনা এন্টিবাইওটিক পীজরগদি মহীকশিংসি হাৎপা ঙমদ্রবনিনা মীওইবদা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

য়েন মচিঙ্গাকশিং শেল্লিবা কম্পনিশিংনা মচিঙ্গাক্তা এন্টিবাইওটিকশিং হাপ্তুনা মচিঙ্গাক শেল্লগা য়োল্লি। অসিগুম্বা মচিঙ্গাকশিংসি কান্নবা অমদি কান্নদবা ময়াম অমসু লৈরি।

**মচিঙ্গাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্পগী কান্নবশিং :-**

য়েন্দা এন্টিবাইওটিক য়াওবা মচিঙ্গাক পীজরগদি চাউবগী চাং হেনগৎহল্লি, ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহল্লি, লায়না কয়া অমা ঙাকথোকপা ঙমহল্লি অমদি লায়না থোক্লক্লগসু লায়েংবা ঙমহল্লি। খ্বাইদগী মরুওইনা মচিঙ্গাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগা য়েন্না চাখ্রিবা মচিঙ্গাক্তু হেন্না মশা থুনা চাওহনবা ঙম্বা অমদি এনিমেল প্রদক্টতা ওনবা ঙমহল্লি।

হঙ্গৎনা য়েংবদা য়েনগী মচিঙ্গাক্তা খুদম ওইনা হায়রবদা টেট্রাসাইক্লিন অমদি পেনিসিলিন য়াওরগদি হেন্না মরুম কোকপা হেনগৎহল্লি। মচিঙ্গাক হেন্না চাবা ঙমহল্লি।

হঙ্গৎনা য়েংবদা য়েনগী মচিঙ্গাক্তা খুদম ওইনা হায়রবদা টেট্রাসাইক্লিন অমদি পেনিসিলিন য়াওরগদি হেন্না মরুম কোকপা হেনগৎহল্লি। মচিঙ্গাক হেন্না চাবা ঙমহল্লি। মরূমদগী মচা ওনবগী চাং হেনগৎহল্লি । অদুবু য়েনদা লায়না লাক্তুনা শিবগী চাংদি হন্থবা ঙমদে। ক্লোরটেট্রাসাইক্লিন, ওক্সিটেট্রাসাইক্লিন অমদি




পেনিসিলিন মচিঙ্গাক্তা য়াওরগদি হেন্না মপূং ফানা শারেপ তানবা ঙমহল্লি। অদুবু শিবগী চাংদি কা হেন্না হন্থবা ঙমহন্দে। এন্টিবাইওটিকশিংসি মচিঙ্গাক্তা হাপ্তুনা পীজবনা হেন্না চাবা ঙমহনবা, মপূং মরৈ ফাবা ঙমহল্লি অদুবু চপ চাবা লায়না মখলশিংদি ঙাকথোকপা ঙমহন্দে।

**মচিঙ্গাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্পগী খুদোংথিনীংঙাই ওইবশিং :**

মতম চুপ্পগী ওইনা য়েনগী মচিঙ্গাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগা পীজবা তারগদি য়েনশিংগী মশাদা এন্টিবাইওটিক্তা থিংবা ঙমদবা বেক্টিরিয়া ময়াম অমা লৈরগনি। হায়রিবা মহীকশিংসি য়েন মশাদা য়াওদুনা অতোপ্পা শাশিংদা শন্দোক্তুনা মশীং য়াম্বা অমা ওইদুনা এন্টিবাইওটিক্লা থিংবা ঙমদবা বেক্টিরিয়া অমা ওইহল্লি। হায়রিবা বেক্টিরিয়াশিংসি থিরিন অমদি হকচাংগী তোংশাদা লৈ। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না হাল্লকপা মথিদসু হীদাক্লা থিংবা ঙমদ্রবা বেক্টিরিয়া ময়াম অমা য়াওরকই। হায়রিবা বেক্টিরিয়াশিংসি অমুক মীওইবদা মখল কয়াগী মওংদা লায়না শন্দোরকই।

য়েনবুশিংনা য়েনগোন শেংবা মতমদা য়েনথিশিং থেংবা/পায়বদা মহীক য়াওবা মথিশিংদু য়েনবুদা চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা চাউনা লৈ। মসিদসু নত্তনা য়েনগোন শেংবা লোইরবা মতুং হকচাং মনুংদা মহীকশিং চঙদনবা নীংথিনা খোঙ, খুৎ-শা হামদোক্তুগদি মহীক চঙবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। য়েনবুশিংনসু য়েনগোন্দা য়েনশিংগা শম্নবদা নৎত্রগা মকোন শেংদোকপদা নিংথিনা খুৎ শা অমদি হকচাং শেংদোকপীদ্রগদি চাবা থকপা মতমদা মহীকশিংদু চাশিনখিদুনা লায়না লায়ওং কয়া অমা  থোকহল্লি।



অমরোমদসু য়েনশা কক্তুনা য়োল্লিবা কাঙবুশিংসু হায়রিবা মহীকশিংসি মশাদা চঙবগী চাং ৱাংনা লৈ। মহীক চেল্লবা য়েনশিংসি মীওইবনা চাবা তারগসু নীংথিনা থোংলগদি মহীক কয়া অমা শিবা ঙম্মী। অদুবু মহীক খরদি থোংবগী টেম্পরেচরদুদা হিংবা ঙম্বা মখল য়াওবনিনা মশাদা অদুম লৈদুনা লায়না কয়া অমা শন্দোকহল্লি । মহীক্লা নাহল্লবা মীওইশিংসু ডাক্তরনা পীরিবা এন্টিবাইওটিকশিংদগী রেজিষ্টটেন্ট ওইদুনা এন্টিবাইওটিক কয়া শীজিন্নরগসু ফবা ঙমহন্দে। লায়না কয়া শন্দোরকই অমদি মনাক নকপদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি হোস্পিটালদা লৈরিবা মীওইশিংদা অমুক শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

য়েনগী মচিঙ্গাক্তা চাং নাইনা এন্টিবাইওটিক হাপ্তুনা পীজরগদি মখোয়দগী পুথোরক্লিবা য়েরুম অমদি মীটতা এন্টিবাইওটিক্কী অরেম্বা ময়াম অমা য়াওবদা নত্তনা মহীক ময়াম অমসু হায়রিবা হীদাকসিনা হাৎপা ঙমদবদগী মীওইবদা অমদি অতোপ্পা শাশিংদা শন্দোরকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ।

নারক্লবা কান্দদা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। এন্টিবাইওটিক অরেম্বা ময়াম অমা য়েরুম অমদি মীটতা য়াওরিবসি ঐখোয় মীওইবনা অমুক চাশিনখ্রগদি এন্টিবাইওটিক্লা হাৎপা ঙমদবা মহীক ময়াম অমা মীওইবদা চুংশিন্দুনা লৈরগদি লায়না লায়ওং কয়া অমা থোরক্তুনা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।


মরমসিনা নাদ্রিবা য়েন্দা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগা পীজবসি তোক্লসি অমদি নারবা মতমদা এন্টিবাইওটিক থাদুনা লায়েংলবা তুংদা হীদাক্তুনা মশাদগী লোয়না চৎখ্রবা মতমদা মশা চানবা ওইনা য়োনবীবনা খুন্নাইসিগী অফবা অমা ওইগনি।

# অরাইবা মওংদা ঙা মরূম কোকহনবা

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ









**মপূং** মরৈ ফারবা ঙা মপী হায়বদি ঙা লাবা অমদি অমোমশিং খন্দোক্লগা হোর্মোন কাপ্লবা মতুং ঙা অমোমগী মরূমশিং অদু পুখমগুম্বা পাত্র অমদা মেৎথোক্লবা মতুং ঙা লাবগী মিল্ট হায়বদি অঙৌবা মহী অদু অমুক মেৎশিল্লগা তুরি নৎত্রগা উচেক মতুনা তপ্না ওৎতুনা ফর্টিলাইজ তৌহনবা য়াই। অসুম তৌদুনা ফর্টিলাইজ তৌরবা ঙা মরূমশিং অদু হেটচিং হাপ্পাদা হাপ্পীদুনা নৎত্রগা ঙা মচা ওলহনবা হেটচরিদা হাপ্পীদুনা মচা ওলহনবা য়ারে। হায়রিবা থৌওং অসি ঙা অয়াম্বদা শীজিন্নবা য়াই। তৌইগুম্বসুং পুক্লাওবী, সিলভর কার্প, ঙাক্রাগী ওইনা শীজিন্নবনা হেন্না কান্নে। হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোক্লবা মতুংদদি হান্ননা তৌনরিবা ঙা মচা পুথোকপগী থৌওংশিং হায়বদি মখাদা পীজরিবা থৌওংশিং অসি চপ মান্ননা পাঙথোকপা য়াই।

অফবা মখলগী ঙা মপী খনবা হায়বসি ঙা মচা পুথোকপদা মায় পাক্লবগীদমক্তা য়াম্না মরুওইবা অমনি। কিলো অমমখায়দগী অনীমুক লূম্বা ঙাশিংনা মচা পুথোক্লবগীদমক খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মচা লৌবা য়ারবা ঙা লাবশিংগী মমাঙ থংবা মশোংগী মথক থংবা শরুক অদু জবৌ জবৌ লাওগনি অদুগা য়াম্না তপ্না মবুক্তা মেৎপা মতমদা অঙৌবা মচুগী মহী থোক্লক্কনি। অমোমশিংগী মমাঙ থংবা মশোং অদু শিৎ নানগনি অমদি মোন মোন লাওগনি, মবুক খরা কংগনি অমদি মরূম থোক্লকফম মখুন অদু ঙাংলি ঙাংলি তৌরগা চাউথোরক্কনি।

হীদাক হায়বদি হোর্মোন শীজিন্নদুনা ঙা মরূম কোকহনবা মতমদা হীদাক কয়াম য়াম্না কাপকদৌরিবনো হায়বসি ঙাগী মখল খেন্নবা, লাবা অমোম খেন্নবা, মরূমদু কয়া য়াম্না মপূং ফারবগে অমসুং ঈশিং-নুংশিৎ অমদি অশাবা খেন্নবগী মতুং ইন্না লেপকনি।

হীদাক কাপ্পা মতমদা ঙাগী মমৈ থংবা শরুক্তা লেটরেল লাইনগী মথক থংবা শরুক্তা মকুগী মখাগী তোংশাদা দিগ্রি ৩০গী এঙ্গলদা থিনজিন্দুনা কাপকনি। সিরিঞ্জ অদু মিলি: ২০ চনবা অদুগা মিলি: ০.১গী শরুক খাইদোকপা ওইগনি। কিলোগ্রাম অহুমদগী চাউবা ঙাগীনা য়েতুম নম্বর ১৯ অদুগা অপীকপা ঙাশিংগীনা য়েতুম নম্বর ২২ শীজিন্নগনি অমদি হীদাক কাপ্পা মতমদা ঙা অদু হেননেট অমগী মনুংদা অমোনবা ফি অমদা তপ্না থন্বীগদবনি।

মরূম কোকফম শেম্বা মতমদা অকুংবা ঈলনা চিথেক নাইনা তুরগা শেম্বা মিটর অনী শাংবা মিটর ১ পাকপা অদুগা মিটর অমা লুবা মথকসু কুপশিনবা য়াবা ঈল হায়বদি ব্রিদিং হাপ্পা অমা ৱা য়ুংলগা কিশিন্দুনা ঈশিংদা থমগনি। ঈশিংগী অশাবগী চাংসি দিগ্রি সেলসিয়স কুনমরিদগী কুন্থ্রাহুমদোই ফাওবা য়াই। হীদাক হেক কাপ্পা লোইবগা ঙা লাবা অনীগী অরূম্বগা অমোম অমগী অরূম্বগা মান্ননা মরূম কোকফমদা হাপচিনগনি। পুকলাওবীগী মরূমদি নপ্পী। মরম অদুনা মরূমশিং অদু নপহন্নবগীদমক্তা কবোকং নৎত্রগা চরাং নৎত্রগা নাইলোনগী লংশিং হাপ্পীগনি।

ঙা মরূম কোক্লমদাইদা ঙা লাবশিংনা অমোমশিংবু তান্নদুনা কন্না কন্না ইরোইদুনা অমদি চোঙখৎতুনা শান্নরক্কনি। অদুগা অমোম্না মরূম হেক কোকপগা ইরোইননা লাবশিংসু অঙৌবা মহী হায়বদি মিল্ট থাদোরক্কনি। হীদাক কাপখ্রবা মতুং পুং তরুক্তগী নিপাল ফাওবগী মনুংদা মরূম কোক্লক্কনি। ঙা মরূমশিং অসি খরা খরা চাউখৎলক্তুনা মিলি: ৩.৫দগী ৫.৫ ফাওবা চাউখৎলক্কনি। অসুম্না চাউখৎলক্লবা মরূমশিং অসি মরূম কোকফমদগী লৌথোক্তুনা মচা ওলহন্নবা ঈল হায়বদি হেটচিং হাপ্পাদা থমগনি। মচা ওনগদবা মরূমশিংদি মনুং ফাওনা উবা ঙমগনি অদুগা মচা ওল্লোইদৌবা মরূমশিংদি ইমম মম্না উগনি। মচা ওলহন্নবা ঈল অসি মরোল অনী থোক্লা খাইদোকই। মপান থংবা ঈলগী অশাংবনা মি: ১.৫ অপাকপনা মি: ০.৯ অমসুং অরূবনা মি: ০.৯ ওইগনি অমদি অকুংবা ঈলনা শেমগনি। মনুং থংবা ঈল অসিনা খরা লনবা মখলগী ঈলনা শেমগনি। মসিদা ঙা মচাদি লিৎপা ঙমগনি অদুগা মরূমগী মকুশিং অদুদি পন্দুনা লৈহৌগনি। অসিগুম্বা ঈল অমদা ঙা মরূম ৭৫,০০০দগী ১,০০,০০০ ফাওবা হাপকনি।

ঙা মরূমশিং অসি পুং ১৫দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা মচা ওল্লক্কনি। মসিগী মতুংদা মনুং থংবা ঈল অদু লৌথোক্লগা ঙা মচাশিং অদু মপান থংবা ঈল অদুদা নুমিৎ হুমনি থমগনি। মদুদগী ঙা মচাশিং অদুদা হান্ননা য়াওরম্বা মমুৎ অদু চুপশিনখ্রবনিনা মচিঙ্গাক চাবা হৌরক্লগনি। মরম অদুনা ঙা মচা য়োকফম হায়বদি নর্সরি পোন্দা থম্বা য়ারে। পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা ৩০,০০,০০০দগী ৫০,০০,০০০গী চাংদা ঙা মচাশিং অমুক ঙল্লিঙৈ নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদা থাদগনি।

চয়োল অনীমুক্তা ঙা মচাশিং অদু মিলিমিটর ২৫দগী ৩০ শাংবা ঙা মচা (ফ্রাই) ওইরক্লি। হায়রিবা ঙা মচাশিং অসি অকুংবা ঈলনা খোন্দুনা অয়ূক ঙল্লিঙৈ নোংথি নোংমংদবা নুমিৎতা ফাবিরগা নীংথিনা শেম শারবা রিয়ারিং পোন্দা মিলিমিটর ৪০দগী ১০০ ফাওবা শাংবা হায়বদি খূৎশামুক চাউনবা য়োক্কদবনি।

ঙাক্রাগুম্বা ঙাশিং মরূম কোকহনবদা খুদোংচাদবা খরা লৈরবসু ঙামী অমনা ইরায় লায়না পাঙথোকপা য়াবা থৌওং হায়রগদি মপূং মরৈ ফারবা ঙা মপীশিং খনবীরগা হোর্মোন কাপ্পীরবা মতুংদা লৌ মরক্তা থাদবীরবদি মতোমতা মরূম কোকচরগা মচাশিং অদুনা খরা চাউরক্লবা মতমদা ফাদোকপীদুনা ফজনা শেম্লবা পুখ্রিদা য়োকপীবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঙা মরূম কোকহনগদৌরিবা মফম অদু ঙা মচাশিং ফাদোকপদা খুদোংচাগদৌবা অমদি ঙাশিং অদু অতোপ্পা মফমশিংদা চেন্থোকখিদনবা ফজনা শেম্বীগদৌবনি। হায়রিবা ঙাক্রাগী মরূম কোকহননবগীদমক্তদি হৌজিক হৌজিক পাঙথোকপীবা য়াই। হায়বদি নোংজু পন্থানা লাকপা মতম অসিদা পাঙথোকপীগদবনি।

অসুম্না ঙা অয়াম্বগী মরূম কোকহনবগী মতম অসি নোংজু পন্থানা লাকপা মতম অসিনি। মরম অদুনা হৌজিক হৌজিকমক ঙা অয়াম্বগী মচা পুথোক্লবা থৌরাংশিং পায়খৎপীবা য়ারে। মথক্তা পনখ্রিবা হোর্মোন অসি কৈথেলদা ফংবা হোর্মোনশিং হায়বদি GONOPRO, WOVA-FH নচিংবা অমা হেক্তা শীজিন্নবা য়াই।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ফেমিলি প্লান্নিংনা শোকহনবা য়াবা মরম কয়া

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মীওইবদা** ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা মরুওইনা তুংদসু থোক্লগদবা ৱাথোক ওইরকপা য়াবা অমা ওইরিবা অসি অঙাং শেম্বা ঙম্নবা অমদি মদুগী নমাদা মীশিং হন্থনবা হোৎনবা, ইমুং খুদিং অঙাং মশীং য়ামদনবা হোৎনরকপা অসিসু অমনি। কুমজা ১৯৮০গী মতুং অদুৱাইদগী মণিপুরগী মফম খুদিং মিদিয়াগী খূৎথাংদা অঙাং অনী নৎত্রগা অহুম্না ওক্লসি হায়বা খোল্লাউ অসি লাকপনা মদুগী ফল অদু তম্পাক্কী মৈতৈ ফুরুপশিংদা মপূং ফানা মমি চাউনা তাবা ফংই। মতম অদুদা ডাক্তরনসু অঙকপা ফংনা এবোর্সন তৌখিবা কয়া ঐখোয়না থেংনখি। অদুবু তম্পাক্কী মৈতৈ পাঙল অমদি মণিপুরদা খুন্দারিবা চীংগী এরিয়া কয়াদদি মদুগী মমি তাবা উদে। ইমুং অমদা অঙাং ৬-৭কী মথক্তা অঙাং পোকপা থেংনখি। অসুম্না মমৈদদি মেজর কম্যুনিতি ওইরম্বা মৈতৈ ফুরুপ অসি অতোপ্পা ফুরুপ্না কুপশিনখিবা অদু ঐখোয়না য়েংদুনা লৈবা তাব্রা? মালেমদা মীশিং হেনগৎপা হায়বা অসিসু খ্বাইদগী অরুবা অমনি। লমদি পাকথোরকপা নত্তে অদুগা মীশিংদি শোয়বা লৈতনা নোংমা নোংমগী হেনগৎপা লেপ্তে। অদুবু লৈমিন্নরিবা কম্যুনিতি খুদিং ৱাখল তাবা মান্নবা ওইরবদি অকায়বা লৈতে। অদুগা ৱাখল তাবা মান্নদবা কয়াগীদি মসিনা অচৌবা অকায়বা অমদি লাকপা তাবনি।

আইন অমা ফজনা শেম্বীদুনা মান্নবা খুন্নাই অমদা চৎহনবা ওইরবদি মীশিং হন্থবদা য়াম্নমক কান্নবা ফংগদৌরিবনি। মসিনা মৈতৈ ফুরুপ্না মীশিং য়ামদনবা হোৎনবা অসিনা নোংমদি মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসি ৱারীদা ফংবা নত্তনা ফংদবগী ফীভম অমদা লৈরবনি। ঙসিদি মৈতৈগী চনুরা কয়া অঙাং পোকপা অমদি অঙাং য়োকপা তন্নরক্লে। অদুনা মশা মশানা খঙনা ফেমিলি প্লান্নিং চথনরক্লে। মসিবু অফবা ওইনা লৌগদ্রা অমাঙবা ওইনা লাক্কদ্রা? মসিসু ঙসিগী অখঙ অহৈশিংনা খন্ন নৈনবদা য়াম্নমক মরু ওইনা লৌহন্নীংই। হৌজিক মেদিকেল সাইন্সনা লম য়ৌনা চাওখৎলবা মতম ওইবনা পূক্নুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা অঙাংবু মশা মউ ফনা, নাদ-য়েক্তনা থম্নবা হোৎনবা মতম অসিদা মীশিংগী চাং মরুওইনা অঙাং শিবগী চাং য়াম্না ৱাৎনরবা মতম ওইরবনি। কম্যুনিতি অমগী অঙাংনা কল্লগা অতোপ্পা কম্যুনিতি অমগী অঙাংনা য়াম্না পোকপনি হায়না কন্দবা য়াবা নত্তে। ঐখোয়না হেনজিন্না ৱারিবা অসিদি মণিপুরগী পাক চাউবগী এরিয়া অসি স্কার কিলোমিটর ২২,৩৭২নি, তম্পাক্কী পাক চাউবা অসি স্কার কিলোমিটর ২২৩৮নি। তম্পাক্লা চাউবা হেল্লিবা মীশিংনা ৪১১৫৫০নি। মসিসু কুমজা ২০১১গী মীকোক থিবগী মতুং ইন্ননি। অসিগুম্বা মণিপুরগী পাক চাউবগী তরা থোক্লা য়েম্থোকপদা শরুক ৯না চীংগী লমনি, শরুক অমনা তম্পাক্কী মীওইনা খুন্দাবনি। মসিদা হৌজিক অমুক নাগাগী টেরিটোরি অমগী ৱাফম অমুক সেন্তর লৈঙাক্কী ইঙ্গিৎ অমনা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিগী ৱাফম্না মণিপুর মীয়ামগী নিংদোন পোমহল্লে। মসিনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্বা লৈতানা হিংবা ঙমদবা চরক চহিং নাইবা অসিনা করম্না মণিপুরগী তম্পাক্লা শান্তি লৈনা হিংবা ঙমগনি। মসিদা মণিপুরগী সী এমগী ৱাফম মণিপুর মীয়ামগী ইকায়খুম্নবা অসিমকনি হায়না লৌবা কায়দে। অদুবু সিটিজেনসিপগী ৱাফম অসিসু তরাইনা লৌবা অচুম্বা নত্তে। মসিনা মণিপুরখক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীয়াম পূম্বদা হেন্না শোক্কনি। মসিদি পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌবনি হায়বা মীয়াম্না ঙাঙনবা লায়না লৌবা য়ারোই। মীয়ামগী খোল্লাউদি মপূ মাগী অশেংবা শক্তমনি খনগদবনি। মীয়ামগী খোল্লাউদা অমদি ইহুলদা লাইগী পাঙ্গল য়াওই খঙবা চুমগনি।

*অদোমগী- এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ*